# মিলিটরি জুন্তানা চার্জ তৌরকখিবা ৱাফম মীয়ামগী লুচিংবা ওং সান সু চিনা য়াখিদ্রে




য়াঙোন, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী) :
ফেব্রুৱারী ১ দগী হৌরগা ম্যান্মার মিলিটরিনা ফাজিন্দুনা লাক্লিবা মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চি ঙসি ইহান হানবা ওইনা কোর্টতা মহাক মশাগী ওইবা ৱারোল পীখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা মিলিটরিনা শিরিবা মরালশিং অদু মশানা য়াখিদ্রে হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।
মশাগী চহী ৭৬ শুরবী মীয়ামগী লুচিংবী অসিগী মথক্তা মিলিটরি লৈঙাক্না তোঙান তোঙানবা মরাল কয়া শিরক্লি। মঙোন্দা শিরকখিবা মরালশিং অদুগী মনুংদা হৌজিক লৈরিবা মিলিটরি লৈঙাক অসিগা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংগা পাউ ফাউনদনবা সু চিগী পার্টিনা ফোঙদোকখি হায়বা ৱাফম য়াওরি। ৱাফম অসি মীয়ামগী লুচিংবী অসিনা য়াখিদবগা লোয়ননা মহাক অমদি মহাক্কী মায়কৈদগী হৌজিক লৈরিবা মিলিটরি জুন্তাগী মায়োক্তা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি। মিলিটরিনা মহাকপু মীয়াম মমাংদা মরাল লৈবা মীশক অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনবনি হায়খি।
অমরোমদা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, মিলিটরিনা লুচিংবী অসিগী মথক্তা শিরক্লিবা মরাল খুদিংমক হৌজিকমক্কী ওইনদি সু চিনা য়াম্না ফজনা হেন্দল তৌদুনা মহাক মরাল লৈতে হায়বা উৎলি। করিগুম্বা মহাক্কী মথক্তা শিরক্লিবা মরালশিং অসি ঙাকথোকচবা ঙমদ্রবদি পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈরবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি।
অমরোমদা লুচিংবী অসিগী লোয়র খিন মোং জোনা ফোঙদোকখিবদা, লুচিংবী অসিগা লোয়ননা মিলিটরিনা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লিবা হান্না লৈরম্বা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগী মথক্তা শিরিবা মরালশিং অসিবু চুম্মী হায়না উৎপা ঙম্নগী ৱাফম লৈতে। মিলিটরিনা লৈবাক অসিদা মপুং ফানা পৱার পাইনিংবদগী লুচিংবশিং অসিগী মথক্তা শেমজিন শাজিনবা মরাল কয়া পীশিনবনি। মহাক অমদি মহাক্কা লোয়নরিবা উকিলশিংনা লুচিংবি অসিবু থাদোক্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা চাওনা লৈ হায়না ফোঙদোরক্লি। অদুম ওইনমক ঙসি কোর্টতা পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিং অদুগী মতাংদদি মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনখিদে। কোর্টকী ওইবা প্রোসিদিংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবদা মিলিটরিগী অথিংবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

# ইজিপ্তুনা ফ্রান্সতগী দোল্লর বিলিয়ন ৪.৫ কী রাফেল ফাইটর জেটশিং লৈরগনি : দিফেন্স মিনিষ্ট্রি



কাইরু, ওক্তোবর ২৭ (এজেন্সী) :
ইজিপ্তুনা ফ্রান্সতগী রাফেল ফাইটর জেট ৩০ লৈনবা কন্ট্রেক অমা সাইন তৌনখ্রে হায়না ইজিপ্তুকী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ঙসি মীয়াম মমাংদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ফাইটর জেটশিং অদু দোল্লর বিল্লিয়ন ৪.৫ পীদুনা লৈগদবনি হায়রি।
মমাং চহীগী দিসেম্বর থাদা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমান্যুএল মেক্রোননা ইজিপ্তুতা ফাইটর জেটশিং য়োল্লবসু কন্দিসন অমগী মখাদা য়োনগনি হায়না ফোঙদোকখি। ইজিপ্তুনা হুইমেন রাইটসপু ঈকায়খুম্নবা উৎলবা অমদি লৈবাক অদুদা য়ৈখাই থিনগাইবগী থবক চথরোই হায়বগী কম্মিটমেন্ট পীরবা মতমদা রাফেল ফাইটর জেটশিং ইজিপ্তুনা লৈবা য়াগনি হায়না ফোঙদোকখি।
অমরোমদা ইজিপ্তুকী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অনীগী মরক্তা ফাইটর জেটশিং লৈবা য়োনবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখ্রে। ইজিপ্তুনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৪.৫ কী শেনফম অদু অমুক্তদা ফ্রান্সতা পীগদবা নত্তে। লোনগী খুথাংদা ফাইটর জেটশিং অদু লৈগদৌরিবনি। চহী ১০ ফাওবগী মনুংদা হায়রিবা শেনফম অদু ফ্রান্সতা ইজিপ্তুনা পীখৎপা হায়না য়ানখিবনি।
ফ্রান্সতগী লৈবাক কয়ানা ফাইটর জেটশিং লৈরি। কাটার অমসুং ইন্দিয়ানসু ফ্রান্সকা রাফেল ফাইটর জেটশিং লৈবা য়োনবগী মতাংদা য়ানবা পুরকপা লৈখ্রে। হৌখিবা কুমজা ২০১৩-২০১৭ ফাওবা ফ্রান্সনা ইজিপ্তুতা খুৎশু খুৎলাই কয়া সপ্লাই তৌখি। হায়রিবা মতম অসিদা ইজিপ্তুনা ফ্রান্সতগী ৱার প্লেন ২৪ সু লৈখি।
অমরোমদা ফ্রান্স দিপ্লোমেট অমনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না করিগুম্বা ইজিপ্তুনা য়ানখিবশিং অদু থবক্তা ওন্থোরক্রবদি মখা তানা ইজিপ্তুকা ফ্রান্সকা মরী থদৎনগনি। ইজিপ্তুনা মতম চুপ্পদা য়ৈখাই থিনগাইবগী থবকশিং লৈবাক অদুদা চথদুনা লাক্লি। হায়নখিবা মতম য়ৌদ্রিঙৈদা ইজিপ্তুনা লৈবাক অদুদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং চথরক্লবদি খুদক্তা য়ানখিবশিং অদু কেন্সেল তৌগনি।
ফ্রান্সনা লৈবাক লৈবাকশিংদা খুৎশু খুৎলাই য়োল্লিবা অসি মশাগী সেক্যুরিটি ওইনবা য়োনবনি। খুৎলাইশিং অদু শীজিন্নদুনা মরাল লৈজদবা মীওইশিংদা ওৎ নৈবা য়ারোই। মিলিটরিশিংনা খুৎলায়শিং অসিবু কৈদৌনুংদা অরানবা থবক্তা শিজিন্নগে হায়বগী ৱাখল খল্লোইদবনি। ফ্রান্সকা দিল তৌনখিবা এগ্রিমেন্টশিং অদুগী মায়োক্তা থবক তৌরক্লবদি দিল অদু খুদক্তা কেন্সেল তৌগনি। ফ্রান্সনা পুথোক্লুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা য়োল্লিবা খুৎলায়শিং অসি মশা ঙাকথোকচনবনি। মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা পুথোক্লিবা খুৎলায় অসি মশা ঙাকথোকচনবা অমদি অফবা থবক থৌরমদা শীজিন্ননবনি হায়বসি কাউরোইদবনি হায়না ফ্রান্স দিপ্লোমেট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

# টাইৱাননা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা য়াওবগী রাইট লৈতে : চাইনা

অনকারা, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী) :
দেমোক্রেটিক আইলেন্দ অমা ওইনা মশা মরোমদোম লৈঙাকচরিবা টাইৱাননা মালেমগী থবক থৌরমশিংদা পাকশন্না শরুক য়ানবা হোৎনগদবনি। মালেমগী থবক থৌরমশিংদা শরুক য়ানবা হোৎনবদা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা টাইৱানসু য়াওশিনবা মথৌ তাই হায়না য়ু এসনা ফোঙদোকখ্রবা মতুং চাইনানা য়ু এসকী ৱাফমবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা টাইৱাননা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা য়াওবগী রাইট লৈতে হায়না ফোঙদোরক্লি।
হিরম অসিগা মরী লৈননা বৈজিংদা লৈরিবা টাইৱান এফেয়র্স ওফিসকী ৱাঙাংলোয় মা জিয়াওগাংনা ফোঙদোকখিবদা, টাইৱান য়ু এন দা য়াওবগী রাইট লৈতে। য়ুনাইটেদ নেসন্স অসি ইন্টরনেসনেল গভর্নমেন্টেল ওর্গনাইজেসন অমনি। অদুবু টাইৱানদি চাইনাগী শরুক অমনি। হৌখিবা কুমজা ১৯৪৯ দা চাইনাদা থোকখিবা সিভিল ৱারদা মায়থিখ্রবশিং অদুনা চাইনাগী প্রোভিন্স অমা ওইরিবা মফম অসিদা চত্তুনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখিবনি। চাইনানা হায়রিবা আইলেন্দ অসি মতম অমদা হেক্তা লৌশিনবগী রাইট লৈ হায়রি।
অমরোমদা য়ু এসনা টাইৱানবু য়ু এনগী মেম্বর অমা ওইহন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। চাইনানা টাইৱানবু নম্ফুদা লৌশিন্নবা হোৎনরক্লবদি মদুদগী ঙাকথোক্লবা য়ু এসনা শেম শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোকপসু লৈখ্রবনি।

# দেলিগেসন টিমদা নুপী মীহুৎশিং য়াওহন্দবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি

কাবুল, ওক্তোবর ২৭ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা নৌনা শেমখ্রবা টালিবান লৈঙাক্না লৈবাক অদুগী ওইবা থবক থৌরমশিং খন্নবদা অমদি অতোপ্পা লৈবাক্কী ওর্গনাইজেসনগী মীহুৎশিংগা উনবগী থৌরমদা নুপী মীহুৎ অমত্তা য়াওহন্দবগী থৌওং অদুবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা লৈরিবা নুপীশিংগী রাইট মাঙহন্দনবা ফোঙদোক্লরক্লি।
চহী অসিগী ওগষ্ট থাগী ময়ায় চল্লকপদগী অফঘানিষ্টানদা টালিবাননা পৱার পায়রকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা লৈরিবা স্কুল অমদি ওফিসশিংদা নুপীশিং কা হেন্না মশক উবা ফংখিদ্রে। নুপী খরখক নত্তনা অয়াম্বা নুপীশিংদি য়ুমদগী মপান থোক্লবা হোৎনবদা অথিংবা কয়া মায়োক্লরি। স্কুলশিংদা নুপীশিংবু হান্নগুম অমুক চত্তুনা মহৈ তম্বদা অয়াবা পীনবা লৈবাক অদুগী নুপীশিংনা লেপ্পা লৈতনা খোঙজংশিং চঙশিল্লি।
হিরম অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিদগী তান্থোকখ্রবা অফঘানিষ্টান ইন্দিপেন্দেন্ট হ্যুমেন রাইটসকী লুচিংবা শাহারজাদ অকবরনা ফোঙদোকখিবদা, অফানিষ্টানবু মপুঙ ফানা চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা লৈবাক অদুগী নুপীশিংবু মনিং তম্না মথৌ তৌহনবা তাই। লৈঙাক্কী ওইবা থৌশিল য়াৎপা মতমদসু লাইরিক মতিক চানা হৈরবী অফঘান নুপীশিং য়াওহনগদবনি। অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মীহুৎশিংগা উনবগী থবক থৌরমশিংদসু নুপীশিংনা য়াওবগী রাইট লৈ। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদা নুপীনা লুচিংবা কয়া লৈরি। অদুবু অফঘানিষ্টানগী ওইনদি টালিবান লুচিংবশিংনা নুপীশিংবু মতম পুম্বদা নমথনবা হোৎনদুনা লৈরি। মসি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থিবনি হায়রি।
টালিবান লৈঙাক্না মতম পুম্বদা লৈবাক অদুগী নুপাশিংখক্তগী য়েংলগা থবক তৌরি। মালেমগী লৈবাক কয়ানা প্রেসর পীরকপদগী নুপীশিংগী রাইট ঙাক্কনি হায়না টালিবান লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখ্রবসু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোক্তনা লৈরি। ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিং মরুওইনা পাকিস্তাননা মখা তানা টালিবান লৈঙাক্তা নুপীশিংগী রাইট মাঙহন্দনবা তকশিনবা মথৌ তারি।

# ওষ্ট্রেলিয়াদা চথোক চৎশিন তৌবদা কোভিদনা মরম ওইরগা থল্লম্বা অথিংবশিং লৌথোকখ্রে

সিদনি, ওক্তোবর ২৭ (এজেন্সী) :
থা ১৮ হেন্না ওষ্ট্রেলিয়ানা লৈবাক অসিগী ঙমখৈ থিংজিন্দুনা লাক্লি। মসিদা নত্তনা লৈবাক অসিগী সিটি অয়াম্বদা অকনবা লোকদাউনশিং থমজিন্দুনা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎতগী ঙাকথোক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। লৈবাক অসিদা হৌজিক লায়না লায়চৎ অসি শন্দোকপগী চাং হন্থরকপা অমদি ভেক্সিনেসনগী থবক খুমাং য়াঙশিল্লকপদগী ঙমখৈগী শরুক্তা অথিংবা কয়া থমজিন্দুনা লাকখিবা অদু হাংদোক্লগনি অমদি চহী অসিগী অরোইবা থাদগী লৈবাক অসিদা মহৈ তম্নবগীদমক অতোপ্পা লৈবাক্কী মহৈরোয়শিং লাকপা য়ারগনি হায়রি।
হিরম অসিগা মরী লৈননা হোম এফেয়র্স মিনিষ্টর কারেন এন্দ্রিয়ুনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ফুল দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংনা লৈবাক মনুংদা চথোক চৎশিন তৌবদা হান্না লৈরম্বা অথিংবশিং অদু লৈররোই। অদুম ওইনমক ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবা মীওইশিংগী ওইনদি অথিংবা খরা অদুম্মক লৈখিগনি। চহী অসিগী অরোইবা শরুক ফাওবদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোকপা মপুঙ ফানা থিংনবা লৈবাক অসিনা পান্দম থল্লি হায়রি।
প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম্নসু লৈঙাক্না শেমখিবা কোভিদ-১৯ গী চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্না চৎনবা অপিল তৌরকপগা লোয়ননা মীয়ামগী মতেং য়াওদ্রবদি লায়না লায়চৎ অসি কৈদৌনুংদা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লোই। মীয়াম্নসু ভেক্সিনেসনগী থবক্তা হেন্না থৱায় য়াওশিন্দুনা ফুল্ল দোজ কাপথোক্লবা হোৎনগদবনি। লৈবাক অসিদা মতম শাংনা লোকদাউন থমজিন্দুনা লাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা মীওই কয়ানা অৱাবা মায়োক্লরি। মীয়াম্না মায়োক্লরিবা অৱাবশিংগী য়েংলগা মহাক অমদি মহাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টরশিংনা কুপ্না খন্নরবা মতুং অথিংবশিং কোমথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি। পনবা য়াবদি লৈবাক অসিগী মরুওইবা সিটি খরদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেল্টানা অকনবা চৈথেং পীরকপদগী হায়রিবা সিটিশিং অসিদা থা ৪ রোম লোকদাউন থমজিন্দুনা লাকখিবনি।

# ৱাথোক লোয়শিন্নবা হোৎনবদা নেসনেল য়ুনিটি গভর্নমেন্ট রিকগনাইজ তৌরবা য়ানা লৈরি




ব্রুনৈ, ওক্তোবর ২৭ (এজেন্সী) :
ব্রুনৈদা ঙরাংদগী হৌরগা পাঙথোকখিবা লৈবাক ১০ গী ওইবা এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্সকী চহীগী ওইবা মীফম অদুনা ম্যান্মার মনুংদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি লোয়শিন্নবা হোৎনবদা লৈবাক অদুদা হৌজিক লৈরিবা মিলিটরি জুন্তাগী মায়োক্তা লেপ্লিবা নেসনেল য়ুনিটি গভর্নমেন্টপু রিকগনাইজ তৌরবা য়ানা লৈরি।
ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা লৈবাক ৯ গী লুচিংবশিংনা নেসনেল য়ুনিটি গভর্নমেন্টপু রিকগনাইজ তৌবগী মতাংদা খন্নখিবগা লোয়ননা ফেব্রুৱারী থাদগী লৈবাক অদুদা পৱার পায়দুনা লাক্লিবা মিলিটরি কম্মান্দরশিংদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং খুদক্তগী লেপ্পবা তকশিনবা হায়নসু য়ান্নখি।
হৌখিবা কুমজা ২০২০ দা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনদা মায় পাক্লুনা লৈঙাক পায়বদা য়াওরম্বা মীওইশিং নেসনেল য়ুনিটি গভর্নমেন্টতা য়াওরি। মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্টখক্তা নত্তনা তোঙান তোঙানবা ইথনিক গ্রুপশিংগী লুচিংবশিংসু গভর্নমেন্ট অসিদা য়াওরি। নেসনেল য়ুনিটি গভর্নমেন্ট অসি ফেব্রুৱারী অমদা মিলিটরিনা কু তৌদুনা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক ইন্থুখ্রবা মতুংদা শেমখিবা গভর্নমেন্টনি।
ঙসিগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মালেসিয়ন পার্লিয়ামেন্ট মেম্বরসু ওইরিবা এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্সকী পার্লিয়ামেন্টরিয়নস ফোর হ্যুমেন রাইটসকী চ্যেরমেন চার্লস সেন্টিয়াগোনা ফোঙদোকখিবদা, এসোসিএসন অসিনা পাঙথোক্লিবা মীফম অসিদা ম্যান্মার মিলিটরিগী মীহুৎ য়াওহন্দনবা লৌখিবা ফিরেপ অসি অচুম্বনি। মসি নত্তবা অতোপ্পা ফিরেপ কয়াসু লৈবাক অসিগী মায়োক্তা এসোসিএসন অসিনা লৌরকপা য়ানা লৈ হায়রি।
পনবা য়াবদি লৈবাক অসিদা মিলিটরিগী ওইবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং ভাইওলেন্সকী থবক থৌওংশিং লেপ্পা লৈতনা থোক্লি।

# এটেক চথদুনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ১১ হাৎখ্রে

বাঘদাদ, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী) :
ইরাককী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা দিয়ালা প্রোভিন্সকী খুঙ্গং অমদা আই এস আই এল (আই এস আই এস) না এটেক চথদুনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ১১ হাৎখ্রে অদুগা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।
জোইন্ট ওপরেসন কম্মান্দনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা অল-হৱাসা খুঙ্গংদা খুৎলায় পায়বা গ্রুপ অসিনা মরাল লৈজদবা মীওইশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক অদু চথখিবনি। গাড়ি কয়াদা লাকখিবা খুৎলায় পায়বশিং অদুনা সেমি ওটোমেটিক গনশিং শীজিন্নদুনা খুঙ্গং অদুদা মরম লৈতনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীশি মীনা থোকহনখিবনি। খুৎলায় পায়বা গ্রুপ অসিনা খুঙ্গং অসিদা দিমান্দ তৌরকখিবা শেনফম পীদবদগী এটেক অদু চথরকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না খুঙ্গাশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# নাইজর ঙমখৈগী শরুক্তা খুৎলায় পায়বশিংনা এটেক চথদুনা সিক্যুরিটি পর্সনেল ১৬ হাৎখ্রে

নিয়ামে, ওক্টোবয়র ২৭ (এজেন্সী) :
নাইজরগী ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবা টহৌৱা রিজনদা মিলিটরি পেট্রোল অমদা খঙহৌদনা খুৎলাই পায়বা মশীং য়াম্লবা মীওইশিংনা এম্বুস চথদুনা লান্মী ১৬ হাৎখ্রে অমদি অমনা থিবা ফঙদনা লৈরি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।
টহৌৱাগী ওফিসল ইব্রহিম মিকোনা ফোঙদোকখিবদা এম্বুস অদু হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চথখিবনি। বেন্দিটশিংনা চথরকখিবা এম্বুস অদুদা লান্মী ১৬ শিখিবগা লোয়ননা ৬ অমনা শোকখি। অদুগা অমনা থিবা ফংদনা লৈরি। এম্বুস অদুদা লৈখিদ্রবা লেফটনেন্ট মমন নমেৱাগী লৈরোল চনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা ইব্রাহিমনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা টহৌৱা রিজন অসি নাইজরগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা দেজার্ট অমনি। মালি অমসুং বুরকিনা ফাসোগী ঙমখৈ মনাক্তা মফম অসি লৈবনি।
হৌখিবা কুমজা ২০১২ দগী হৌরগা মফম অসিদা মীশি মীনাগী থৌদোক লেপ্পা লৈতনা থোক্লি। চহী অসিগী মার্চ থাদসু মালিগা তাইনৈনা লৈবা নাইজর ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবা অপিকপা খুঙ্গং অমদা রেবেল ফাইটরশিংনা এটেক চথদুনা মীওই ১৪১ হাৎখি। হৌখিবা চহী খরা অসিদা মার্চ থাদা থোকখিবা থৌদোক অদুনা খ্বাইদগী তমথিবা থৌদোক ওইরি। নাইজর অসি মালেমগী লাইরবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি। য়ু এন দিভলপমেন্ট রেঙ্কিংদা লৈবাক অসি ১৮৯ শুবা থাক্তা লৈরি। মালি অমসুং নাইজেরিয়া অনীগী মরক্তসু য়াম্না তোয়না খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোক্লি। মদুনা মরম ওইরগা নাইজরদসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লুহল্লি।
নাইজরগী নোংচুপথংবা শরুক্তা খুৎলাই পায়বশিংনা য়াম্না তোয়না এটেক চথরি। খুৎলাই পায়বা মীওইশিং অসি মরু ওইনা অলকৈদা অমসুং আই এস আই এল (আই এস আই এস) কা মরী লৈনবা মীওই ঙাক্তনি। ৱেষ্টর্ন নাইজরদা চহী অসিগী হৌগৎলকপদগী হৌজিক ফাওবদা খুৎলাই পায়বা মীওইশিং অসিনা মীওই ৩০০ হেন্না হাৎখ্রে। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা গভর্নমেন্টনা খুৎলাই পায়বা মীওই ২৪ হাৎপা ঙমখি।





**GOVENRMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF TRIBAL AFFAIRS & HILLS**

-----

ꯆꯥꯡꯌꯦꯡ / **N O T I F I C A T I O N**

Imphal, the 27th October, 2021

**No. 12/NSP/2019-TA&H:** This is for information to all concerned that the last date of application of ST Scholarship, Manipur for the Academic year 2021-22 has been extended by 1 (one) month up to 30.11.2021. The last date was supposed to be 31.10.2021.

**The Last date of online submission details will now be as given below:**

| Category | Scheme closing date | Institution verification last date | District Level verification last date | State Level verification last date |
|---|---|---|---|---|
| (1) | (2) | (3) | (4) | (5) |
| (a) Pre- Matric | 30/11/2021 | 15/12/2021 | 30/12/2021 | 15/01/2022 |
| (b) post-Matric | -do- | -do- | N/A | 15/01/2022 |

Therefore, Students/Principals of various institutes located in Manipur and outside the state are directed to complete their application and verification well on time before the expiry of the extended dateline. It may also be noted that, no further extension for ST Scholarship application will be given after this one-time extension.

Further, this Directorate is sharing the observations made by **Comptroller & Auditor General (C&AG), India** while undertaking data analytics on Scholarship applications and to informed concerned Institutes head to check such cases while verifying student's credential and take corrective measures at their end. The following are the observation made by C & AG, India:

i. **Annual income of Parents/ Guardians of the beneficiaries is more than the prescribed limit.**
ii. **Parents/Guardians of the beneficiaries are serving/retired Government employees (rendering compliance with the income threshold doubtful).**
iii. Scholarship Beneficiaries' family owing 4-wheeler vehicle (rendering compliance with the income threshold doubtful)
iv. Students claiming duplicate scholarships in Post/Pre-Matric schemes for SC, ST and Minorities within the same Academic year (duplicate beneficiaries)
v. Duplicate Beneficiaries availing scholarship in multiple schemes (SC and ST) as well as within the same schemes in a year (Bank accounts found where more than one scholarship is being paid at the same time)
vi. **Beneficiaries' bank account/branch located outside the domicile State.**
vii. Invalid Aadhaar numbers found for ST students claiming scholarship (either data entry errors or fake Aadhar numbers)
viii. Students availing scholarship through colleges shown as de-affiliated as per AISHE survey
ix. Standalone Institutes identified as 'Inactive ' by AISHE
x. Universities depicted as 'deleted' by AISHE
xi. **Unusually high number of verifications of ST Student's (100+) carried out by an institute/school in a single day.**
xii. **Verifications carried out by schools/institutes on Sundays (unusual).**
xiii. **Verifications carried out by schools/institutes during unusual hours.**
xiv. **Multiple Students registered with the same mobile number within same Institute.**
xv. Post-Matric Scholarships claimed by students from School identified by UDISE+ as non-operational
xvi. Excess beneficiaries found at district level comparison of Class XI/XII Scholarship beneficiary data with UDISE survey data
xvii. IP Address of the Post-Matric School users/ verifiers showing geographical location outside the State in which School is situated.

Issued in public interest and for compliance by Students/Institutes heads. Non compliance to the above C&AG, India report may result in rejection of application submitted by Institutions.

**Sd/- C. Arthur Worchuiyo**
Director,
Tribal Affairs & Hills, Manipur

HL-B/7251/28, 29